থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# সঙাইনা ৱারৌরবা সঙাই ফেষ্টিবেল

‘ফেষ্টিবেল’ হায়বদি ‘নুংঙাই-য়াইফ-হরাও-মথোয়-কাবা-থৌরম’ হায়বা তাবনি, লাল্লব্রা? খরা শমজিন্না, ‘হরাও কুম্মৈ’ হায়নসু হায়নরকই মমাঙঙৈদগী। নাৎকী ওইবা, খুন্নাইগী ওইবা, ধর্ম্মগী ওইবা কুম্মৈ, মখল মখল ওইবা য়াই। হৌজিক্তি ফেষ্টিবেল হায়বা ৱাহৈসি হান্না শীজিন্নরমদবা মওং কয়াদসু শীজিন্নরক্লে। দান্স ফেষ্টিবেল/লিটরেরি ফেষ্টিবেল/পোইত্রি ফেষ্টিবেল/দ্রামা ফেষ্টিবেল/ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল/লেমন ফেষ্টিবেল/পাইনএপল ফেষ্টিবেল... মওং কয়াদা পাঙথোকপা য়াখ্রে। নোংমখক পাঙথোকপা, নীনি-হুমনি-মরিনি, তরানি-কুন্নি অশিন অরাং তৌরিবশিংগী অপাম্বা মতুংইন্না পাঙথোকপা য়াই। হোলি-ফেষ্টিবেল ইন্দিয়াগী মফম পূম্নমক্তা নোংমখক (মদুসু পুং খরখক) পাঙথোক্লবদু ‘য়াও(ঙ) শঙ’ হায়না ওস্থোক্তুনা লমদমসিদা অরিবা থৌরম অমগা তোৎশিন্নরগা নুমিৎ মঙানি পাঙথোকই। থাবল চোংবা হায়বা থৌরমদুমা হাপচিন্দুনা নুমিদাং কয়া মখা শমথৈ। অসিতা নত্তে, মৈ থানবই ফেষ্টিবেল, চাক কৌবই ফেষ্টিবেল... লোইবা নাইদ্রবা কুম্মৈনি।

ঙসি ঐনা ‘কুম্মৈ-ফিহোংগী মরমদা পাউদম অমত্তং তমজনীংলক্লিবা - হৌজিক হৌজিকমক পাঙথোক্লিবা ‘সঙাই ফেষ্টিবেল’ নীংশিংলুবদনি। সঙাই ফেষ্টিবেল - সঙাই কন্নবা অখন্নবা পান্দমদা শেমগৎখিবা কুম্মৈ অমা নত্তে। সঙাই কৌবা, মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা লৈনীংদবা, মণিপুরগী লোক্তাক পাৎতা তাউবা ফুমদি মথক্তদা চেন-চোংদুনা শান্নরগা হিংবা পামজবা শা মখল অদুগী মমিং ৱায়রগা থোনখিবা ঈরাং-কৈথেল অমনি ‘সঙাই ফেষ্টিবেল’। শা অসি য়োক্লবা, কন্নবগীদমক্তি কুইরবগী মমাঙ, মার্চ ২৮, ১৯৭৭তগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ‘কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক’ হায়না লীংখত্তুনা হোৎনরক্লি। চহী ৪২গী মতুংসিদসু ‘সঙাই’ মালেমসিদগী মুৎখিগদৌরবা শা অমা ওইনা অদুম শিংথারি হায়বদি, স্কোয়র কিলোমিটর নিফু পাকপা-চাউবা সঙাইগী ময়ূম অসি ঙসিসু সেফ এন্দ সিক্যুর ওইদ্রি, মীওইবগী মখূত্তা মুৎখিগদ্রা চিংনরি হায়বনি, লাল্লব্রা? সঙাইনা মরোল থোক্লল্লবা, শোয়দনা হায়রক্লমগনি - ‘ঐগী মিংদা ঈরাং কৈথেল কারিবদু তোকপীয়ু ... ঐসু নখোয়গুম হিংনীংই, হিংহনবীয়ু নীংতম্না ঐগী পিক্ল-ইংখোলসিদা ... নেচরেল এনিমি ওইরম্বা শা-কৈবুদি ইনাকসিদা লাকহনবীদ্রে, অদুমক্তদা করিগী ননাক নকপা কিরিবা... পাউখুমসিমতং নখোয়না খঙবীরম্বা থোক্লবা, কয়াদা নুংঙাইরমগনি’...।

‘দাইনোসর’গুম্বা মমিংতমক ঙায়রবা শা’দুমক্তি নত্তেদনা সঙাইদি। অদুগা করিগী সঙাই মশক তাক্লবা লৈবাক্লা শাবা মীতম ওইনা খিল্লিবা? মহিসুরগী শায়োকশঙদুদদি মখোয় কুন-কুন্থ্রা পুল্লপ তাশিন্দুনা লৈহৌই ইফোং ফোংনা। ঐখোয়দা তঙক তঙক য়েংলকই। ’সিদনা, সঙাইগী অশেংবা ময়ূম কৈবুল লমজাওদা চৎল’সু অমত্তং উজগে খল্লুবা, লাইবক্কী মখা পোনগনি। মীগী মনম নৎত্রগা মীনিল - সঙাইনা খ্বাইদই কিজবনি।

খঙদে, ঐগী ৱাখল অসিনা করিগীনো, মীগা অসুক মীমান্নদ্রিবা। লমদমসিগী য়েলহৌমী নত্তবা মীরমদগী লাকপা (ফোরেন অমদি দোমেষ্টিক টুরিষ্ট) ময়ামসিদা সঙাই ফেষ্টিবেল মনুংসিদা অহিংবা সঙাই অমত্তং, চেন্না চোংনা শান্নবা উহন্দুনা ‘দান্সিং দিয়র ওফ মণিপুর’ হায়না মিংথোল্লিবসিগী অহিংবা শক্তমদু উহন্নবা থৌরাং অমত্তা তঙাইফদনা য়াৎলবদি মমিং অসি ৱায়দুনা থোল্লল্লিবসিগী ৱাহন্থোক হেন্না ময়েক শেংলমগদবনি। অদুবু, কয়াদা লাইবক থীখ্রবা মীকুপনো য়েংবীয়ু - মীরমদগী থুংলখিবা, টুরিষ্ট ফেষ্টিবেল অসিগী তুরিষ্ট অমনা লমদমসিগী মীয়ামদা পাউজেল্লি ... ‘ঐহাক মণিপুর কৌবা লমসিদা অহানবা ওইনা লাক্তুনা সঙাই ফেষ্টিবেল য়াওবা লাকচবনি, ময়ামসু লাক্তুনা য়াওবীয়ু, বোইকোট তৌরিবসি হন্দোকপীয়ু’...।


ৱাফম অসি শন্দোক্লা অমুক ইদ্র’সু খঙবীরব’দুনি - কোওর্দিনেসন কম্মিটি ফোর মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) কৌবা মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী অপূনবা বোদি অমনা, ইন্দো-নাগা-পিছ-টোক’কী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী সোসিও-পোলিটিকল অমদি কলচরেল আইদেন্টিটি’দা অকায়বা থোকহনবা য়ারোই, ৱাফমসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট’না অরোন-অথুপ থমদনা অচেৎপা ৱারোল লাউথোকউ, ৱাফমসি নাখৈ শেংদ্রিফাও মীয়ামগী ঈহৌ লেপ্পা য়ারোই, কুম্মৈ-হরাও তৌবা য়ারোই, সঙাই ফেষ্টিবেল তোক্কদবনি ... হায়বনচিংবসি কোকোমিগী দিমান্দ’নি। মীয়ামগী পূক্লিং ইহুল লৈঙাকসিনা খঙল’সু থা মঙা তরুক চঙনা শেম-শারক্লবা, ফোরেন-এম্বেসি কয়া ইনভোল্ব তৌদুনা হোৎনরক্লবা এক্সর্সাইজ অমবু সোসল ওর্গনাইজেসন খরগী প্রেসর’দা করম্না খংলেপ লেপ্লুনি? লৈঙাক্কী অঙম অথৌসু, নূং অনীগী মরক্তা হা হায়বই থৌদৌদুনি। মীয়াম তিন্দবা কুম্মৈদি পাঙথোক্লুবই করি কান্নে! মীবু চাক কৌরগা মীথুং ওইনা লাক্লগা যূম্বু লৈরমদবই থৌদৌদুমক্কুম্বনি। রুল্লিং পার্টিগী-এম এল এ ময়াম্না মী ময়াম হোল্লত্তুনা পব্লিক’না বোইকোট তৌরবা মীটিং য়াওহনবদুগুম্না হোল্লগা সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংহল্লবদি প্রাক্টিকেবল ওইদেদনা! অদুনা, ঐদি খল্লি - হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেল - মমিংতগী পাঙথোকপা ফেষ্টিবেলনি মচু মমেন থোক্ত্রবা।

অদুবু, টুরিজম ফেষ্টিবেল কৌবা য়াদবা, খূৎনেক্কী টুরিষ্ট নত্তনা মখোঙনা থোংনা মরন্নাই শেল তিংলগা লাকপা টুরিষ্ট অমত্তসু য়াওদবা, লৈঙাক্কী শেল হৈদোকফম ওইবা, লমহাঙদা শেমগৎপা টুরিষ্ট সেন্টরদা পাঙথোকপা সঙাই ফেষ্টিবেল’সিগুম্বদি পাঙথোক্তবনা ফবনি, মমাঙ চহীদসু হায়জখিবনি কোল্লমসিদা। টুরিষ্ট সেন্টর অমত্তসু শেমগত্তনা, টুরিষ্ট ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লুবই কান্নববু করিনো?

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# তূম্বা ৱাৎপনা অহল ওইরবী নুপীশিংদা শরুগী ফীভম শোকহনবা য়াই

অনৌবা রিছার্স অমদা থাগী খোঙ্কাপ খমখ্রবী নুপীশিং নুমিদাংদা পুং ৫ দগী হেন্না তূমদ্রবদি বোন মিনরেল দেন্সিটি (বি এম দি) নেম্বা অমদি ওষ্টিওপোরোসিস নাবগী চাং হেনবা য়াই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।




ন্যু য়োর্ককী বফেল্লোদা লৈবা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী টিম অমনা মশাগী থাগী খোঙ্কাপ খমখ্রবী নুপী ১১০৮৪ না শরুক য়াদুনা ষ্টদি অদু পাঙথোকখিবনি। হায়রিবা নুপীশিং অদু ৱিমেন্স হেল্থ ইনিসিএটিভকী পার্টিসিপেন্ট ঙাক্তনি।

ষ্টদি অদুগী ফাইন্দিংশিং অদু জর্নেল ওফ বোন এন্দ মিনরেল রিছার্স হায়রিবা জর্নেল অসিদা মরীক চূম্না ফোঙলকখ্রে।

ইনভেষ্টিগেসন অসি তূম্বা ৱাৎপনা নুপীশিংদা শরুক তেকপগী চাং ৱাংহনবগী মতাংদা টিম অসিনা মমাঙদা চথখিবা ষ্টদি অমগী মখা চথরকপা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ বফেলো ওফ পব্লিক হেল্থ এন্দ হেল্থ প্রোফেসন্সকী ইপিদিমিওলোজি এন্দ ইনভাইরনমেন্টেল হেল্থগী এসোসিএট প্রোফেসরসু ওইরিবা ষ্টদি অদুগী অইবা হিদর এম ওক্স-বালকোমনা হায় মদুদি, ঐখোয়গী ষ্টদি অসিনা হান্না লৈরম্বা তূম্বা ৱাৎপনা হকশেলগী ফিভম শোকহল্লি হায়বা ৱাফম অদুগী মথক্তা শরুগী ফীভমসু শোকচিলহল্লি হায়বা উৎলে।

মসিনা ঐখোয়গী ফিজিকেল অমদি মেন্টেল হেল্থকীদমক খল্লগা নুমিদাং খুদিংগী পুং ৭ নৎত্রগনা ৭ তগী হেন্না তূমগদবনি হায়বা ৱাফম অসি নীংশিংহন্নবা পান্থে অমসু ওইরগনি থাজে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

শরু অসি লেপ্পা লৈতনা ফোর্মেসন অমদি রিজোর্পসন তৌদুনা লৈবা অহিংবা টিসুনি। বোন রিমোদেল্লিং হায়না খঙনবা প্রোসেস অসিনা অরিবা বোন টিসুশিংবু লৌথোক্লগা অনৌবা বোন টিসুশিংনা মহুৎ শিনবগী থবক তৌই।

ওক্স-বালকোমনা হায়, করিগুম্বা ঐখোয়না মপুঙ ফানা তূমদ্রবদি রিমোদেল্লিং প্রোসেস অসি নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমদে।

ওষ্টিওপোরোসিস হায়রিবা টার্ম অসিগী ৱাহন্থোক্তি পোরস বোন হায়বদি মখুল মখুল হোরবা শরু হায়বনি, মসি শরুগী ক্বালিটি অমদি দেন্সিটি য়াম্না কা হেন্না হন্থরকপা মতমদা ওইবা থৌওং অমনি। ওষ্টিওপোরোসিসকী থৌওং অসি অহল ওইরবা মীওইশিংদা য়াম্না তোয়না থেংনৈ, অহল ওইরবী নুপীশিংদদি হায়রিবা থৌওং অসি থোক্লকপা য়াবগী রিস্ক য়াম্না ৱাংই।

মীওই অয়াম্বদা, শরুগী মপাঙ্গল কনবা অমদি দেন্সিটি ৱাংবা অসি চহী কুন্থ্রা শুরমদাই মতমদনা খ্বাইদগী হেল্লি। মসিগী মতুংদগীদি অহল ওইশিল্লকই, অদুগা অনৌবা শরুক শেল্লকপগী থৌওং অদু ভোন রিজোর্পসনগী চাং অদুনা তপ্পা তপ্পা খুদুম চনশিনখি। নুপীনা থাগী খোঙ্কাপ খমখিবা অহানবা চহী খরগী মতম অসিদা শরুগী দেন্সিটি য়াম্না থুনা হন্থরকই।

ইন্টর্নেসনেল ওষ্টিওপোরোসিস ফাউন্দেসনগী মতুংইন্না মালেম পূম্বগী ওইনা নুপী ৩ গী মনুংদা ১ অদুগা নুপা ৫ গী মনুংদনা ১দি চহী হুম্ফু শুরমদাইদা ওষ্টিওপোরোসিসনা মরম ওইরগা শরু তেকপগী থৌওং থেংনবগী রিস্ক লৈ হায়রি। ওষ্টিওপোরোসিসনা নারবা মীওইশিংদা শরু খ্বাইদগী তেক্কনবা মফমশিংদি নীঙ্গোঙ, খুদাং অমদি য়াঙলেননি।

য়াঙলেনদা শরু তেকপা অসি ফীভম য়াম্না শাথিবা য়াই, মসিনা নঙ্গল য়াম্না শাথিনা নাবা, য়াঙলেন পৈবা, অৱাংবা হন্থবনচিংবা থোকহল্লি। নীঙ্গোঙগী শরু তেকপা অসিসু তরাইবা ওইদে, অয়াম্বনা সর্জরি মথৌ তাগল্লি অমদি চৎপা ঙমদবনচিংবা তৌগল্লি। মখোয়শিং অসিনা মরম ওইরগা শিনবগী মরম ওইরকপসু য়াই।

অনৌবা ষ্টদি অসিদা রিছার্সর টিম অদুনা মতম শাংনা তূম্বা নুপীশিংগা য়েংনবদা নুমিদাংদা পুং ৫ ফাওবদং তূম্বা নুপীশিং অদুগী বোন মিনরেল দেন্সিটি অদু মরি থোক্লা ওনবা মতমদা য়াম্না নেম্বা থেংনখি। মরি থোক্লা ওল্লিবা অদুদি হকচাং পূম্বগী, নীঙ্গোঙখক্তংনি, ঙকশমখক্তংগী অমদি য়াঙলেনগী হায়রিবশিং অসিনি।

রিছার্সরশিং অদুনা খঙখি মদুদি, মতম তেন্না তূম্বনা মরম ওইরগা বোন মিনরেল দেন্সিটি হন্থরিবা চাং অদু নোর্মেল ওইবা মী অমনা চহী অমা হেন্না অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা লৈগদবা চাং অদুগা মান্নে।

ষ্টদি অদুগী রিজল্টশিং অদু অশোয়বা থোকহনবা য়াবা মরমশিং হায়বদি মশাগী চহী, ফুরুপ, মেনোপোজগী ইফেক্ট, চুরূট থকপা, য়ু থকপা, বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই), তূম্নবগী গুলি চাবা, শাজেল তৌবা, বোন দেন্সিটি স্কেন্নরগী মখল অসিনচিংবা মরমশিং অসিগা মরী অমত্তা লৈনখিদে।

চীঙ্গাক অমদি শাজেলদা হোংদোক হোংজিন তৌবা মথৌ তাবগুম্না তূম্বা হায়বা অসিসু অহোংবা পুরক্লবা হোৎনবা য়াবা পোৎশক অমনি হায়না রিছার্সরশিং অদুনা ফোঙদোক্লি।

# এন এস সী এন- আই এমনা নেসনল হায়ৱেদা টেক্স লৌরিবসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা য়েংশিনবিয়ু

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : এন এস সী এন- আই এম অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগা পিছ টোককী ৱারী শাবা হৌখিবদগী এন এস সী এন- আই এমনা ঙসি ফাওবদা নেসনেল হাইৱেশিংদা মখল মখা কয়াগী অনওথোরাইজ অমদি ইলিগেল ওইবা থবক কয়া চৎথবগা লোয়ননা টেক্স কয়া লৌদুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৯৭ দা রাজেস পায়লোটনা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদগী এন এস সী এন- আই এমদা টেক্স পীরোই হায়দুনা লাউদুনা লাকখিবনি হায়না প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা খুরাই কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী স্পোক্স পর্সন বোন খুরাইনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, এন এস সী এন- আই এমগী লালহৌবশিংনা নমদুনা সিফাইশিং অমদি পুলিসশিংগী মমাংদা নম্ফু শাফু তৌদুনা গেট কয়া অমা পানশিন্দুনা টেক্স কয়া লৌরি। মখোয়না লৌরিবা টেক্সশিং অসিদা চহীগী ওইবা টেক্স, গোদাউনগী টেক্স ওইনা লুপা লিশীং ৫০দগী লাক্ষ অহুম ফাওবা লৌরি অমদি গাড়িশিংগী ট্রিপ খুদিংদগী লুপা লিশীং অমদগীনা অহুম ফাওবা লৌরি। হায়রিবা টেক্সশিং অসিগী মথক্তা ইনৌ নৌবা ওইনা সেল টেক্স লৌরগনি হায়না জোন কৌবা নুপা অমনা দিমান্দ তৌরক্লি। অসিগুম্লবা মীয়ামদা ওৎপা নৈবা অমদি টোর্চর তৌরিবা জোন কৌবা নুপা অসি মণিপুর লৈঙাক্লা অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ফারব্রা? ফারগদি মঙোন দা পাল্লিবা এফ আই আর অদু মীয়ামদা খঙহনবিয়ু হায়নসু মহাক্লা হায়খি। মণিপুরদা লেপ্পা লৈতনা পোৎচৈগী মমল ৱাংখৎলক্লিবা অসি অসিগুম্লবা মরম চাদবা নাগা লালহৌবশিংনা মখল মখা কয়াগী টেক্স কয়া অমা লৌবা অসিনা য়াম্না চাউরবা মরম অমা ওইরিবনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা ৱাফম অসিগী মতাংদা খঙহন্দুনা অসিগুম্লবা ইলিগেল ওইবা থবকশিং অসি মখা তানা তৌদনবা তকশিনবিয়ু।

লোয়ননা মহাক্লা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা তকশিনবা মতমদা কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনসু লৈঙাক্কীদমক তৌবা য়াবা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি। করিগুম্বা এন এস সী এন- আই এমনা মখল-মখা কয়াগী লৌরিবা টেক্সশিং অসি লৌদবা য়াদে হায়রগনা মখোয়না লম্বী থোং কয়া অমা অমাং-অতা থোকহনখ্রিবশিং অদু শেমজিনবিগদবনি লোয়ননা মতম-মতমগী ওইনা লম্বী থোংশিং ফজনা শেম্বি শাবিবা তৌগদবনি। গাড়ি থৌরিবশিংদগী টেক্স পিদে হায়দুনা গাড়িগী শো, চে চাংশিং মুনবা অমদি পোৎচৈনচিংবা কয়া লম্বীদা হৈদোকপা অমসুং চৈখোয়বা তৌবিবগী মহুৎতা এন এস সী এন- আই এমনা লম্বী থোং শেম্বিয়ু। করিগুম্বা অসিগুম্বা মওং তাদবা থৌওংশিং অসি লেপ্পা লৈতনা তৌরক্লবদি ফুরুপশিংগী মরক্তা য়াম্না অকায়বা কয়া অমা লাকপা য়াই। টেক্স লৌবনা পোৎচৈগী মমল তাংখৎলক্লিবা অসিদা শুপ্পগী তম্পাক্কী লমদা, চীংগী লমদা লৈবা ইচম চম্বা মীওইশিং খক্তনা অৱাবা ওই। ব্যুজিনেস তৌরিবা মীশিংগীদি মখোয়না তৌরিবা ব্যুজিনেস মাংবা য়াদবনিনা পোৎচৈশিংদা মমল হেন্না লৌরকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি মরম অদুনা এন এস সী এন- আই এমনা ৱাফমশিং অসি খঙবিদুনা মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমকপু ৱাদনবা খনফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# থৌবালদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : নেসনল হেল্থ মিসনগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী লমজিং মখাদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ৯ গী কাউন্সীল্লর অমসুং ৱার্দ অসিগী ৱেষ্ট কল্লেক্সন সেল্ফ হেল্প গ্রুপনা শীন্দুনা মেন্টেল হেল্থকী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল ময়াই লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা অখঙ-অহৈ কয়ানা মেন্টেল হেল্থকী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবা ৱাফম কয়া থমখি। থৌরম অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কোওপরেসনগী কাউন্সীল্লর দল্লিয়ু ইবোচৌবা মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম চান্দেলগী নোদেল প্রোগ্রাম ওফিসর ডা. কে ঐচ রোবিন্দ্রো, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালগী দি পি এম, সী ঐচ বসন্তা, হান্নগী সী দি পি ও থৌবাল ওইরম্বী শ্যামাসু শরুক য়াখি। এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ৯ গী মনুংদা লৈবা ৱেষ্ট কল্লেক্সন সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।




# ন্যু ইরা ৱিক পাঙথোক্তুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): থৌবাল ওক্রম ৱাংমতাবাদা লৈবা ন্যু ইরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অহুমলকশুবা ন্যু ইরা ৱিক পালন থৌরম পাঙথোক্তুনা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম ঙরাং স্কুল অদুগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল এন বন্দনা আই এ এসনা অথোয়বা মীথুং, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস থৌবালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ডা. এস ইবোমচা এম পি এসনা থৌরম মপু অদুগা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স ইম্ফালগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. এ কে বোজেন মীতৈনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা স্কুল অদুগী অহুমশুবা মেগাজিন ফোঙখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস, কলচরেল, লিটরেসিদা অথোয়-অহেন তান্নবগী ৱিক অমা চথরকপগী মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুমশিংসু য়েন্থোকখি। স্কুল অদুগী টর্ম এগজামশিংদা রেঙ্ক হোলদরশিংদসু সাইতেসন অমদি অচম্বা খুদোলশিং পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

ন্যু ইরা ৱিক অদুগী হাউসশিংগী মরক্তা অথোয়-অহেন তান্নখিবদা ব্লু হাউসনা ওভরওল ৱিন্নর অদুগা গ্রিন হাউসনা রন্নর অপ তাখি। ক্লাস টুয়েল্প এগী থোকচোম এন্সটাইন অমসুং ক্লাস টুয়েল্প সীগী লিশম জিনানা স্কুল অদুগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী বেষ্ট ষ্টুদেন্ট ওফ দ য়র ২০১৯গী মনাশিং ফংখি।

স্কুল অদুগী নুপাগী বেষ্ট টিচর বাইওলোজি দিপার্টামন্টগী য়ুম্নাম মারাদোনানা অদুগা নুপীগী বেষ্ট টিচরনা হোম সাইন্স দিপার্টমেন্টগী থোঙাম লাক্সমিনা তাখি। অথোকপম সুলোলাতানা বেষ্ট নন টিচিং ষ্টাফকী মনা ফংখি।

মহৈরোশিংনা তোঙান-তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রামশিংসু মীয়ামদা উৎখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীথুংলেনশিং অমদি চেবাউ ফংদুনা শরুক য়াখিবশিংদা উহৈ য়ানবা পাম্বী য়াওনা উ চারা অমমমসু স্কুলগী মায়কৈদগী য়েন্থোকখি। অথোই-অহেন তান্নবা কয়াদা মকোক-মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মহৈরোয়শিংদা ৱাখল লৌশিং ওইগদবা ৱাফম কয়া থমখি।

# লাইরিক ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ : থিঙোম অরুনকুমারনা ইবা *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যদা ত্রেজিক সেন্স* হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমা থা অসিগী ২৫ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা ওল্ড এসেম্ব্লী রোদতা লৈবা মণিপুরী হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।




# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।১১।২০১৯ ইং, নিংথৌকাবা,
হিয়াঙ্গৈগী ২৯ নি পানবা।

**মেষ :** লন-থুম চাওখৎপা, য়েক্লববু লায়না খদুম চনবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা মীকোক থোংনা কান্নবা নুমিৎনি। নচা-ননাইগী লম্দা কোক শাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** মীনা থাগৎপিগনি, অরং-অরাক ফংজবা অমদি ঙাঙবা শকপা হৈগনি। থৌনা ফুদোকপনা চাদিং হন্থগনি অমদি পূক্লিংগী ওইবা ৱাখল ফুদোকপা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** অথেংবদা কান্নবা খরা ফংগনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। য়েৎনবা নত্রগা অফা অপুন নংবা য়াবা থবক্তা য়াওরুনু-ফরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম মাঙবনা হেনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** পূক্লিং তানা হোৎনবা থবক্তদি কান্নবা ফংগনি। খন্নথদনা মীনা হায়বা লৌরবা অমদি লৌশিং চাওবা শারবা মাঙবতা নংগনি। মী লোয়নবনা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনগনি-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**সিংহ :** অফবা মফম ফংবগী নুংঙাইবা, মীয়াম পুনবনা হেন্না নুংঙাইজবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা শেন্দাং য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি। ঙক কনবদি য়াদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কান্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** খোইরাং খোইশাওনবা অমদি ফিংবনা নরল মাঙহঞ্জবা নুমিৎনি। হেন্না হোয়া ফগনু অমদি চিন য়াংগনু য়েৎনবা লাক্কনি। খাংবা কল্লু নঙগী মতম ঙাইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথবা কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**তুলা :** হরাওবা নুংঙাইবা, মরুপ-মপাংনা থোইনা তেংবাংবীবা অমদি লৌশিং ফুদোকচবা ঙমগদবা নুমিৎনি। খন্থরদি অরুবা থবক পাংবা য়াগনি। হুদগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি ৱাখলদা নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** লৌশিং লৈনা থৌ পাংবা ঙমগনি, মীয়ামগী মতেংনা লন-থুম হেনগৎহনবসু ঙমগনি। অদুবু অফা-অপুন্নবা, অনম তানবা য়াদবা অমদি য়েংথিবা য়াম্বসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাংবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু:** লৈঙাক্কী লম্দা কাইনবা নংবা, ঙক কনবা য়াদবা অমদি নথক থোংবনা চানবীদবা নুমিৎনি। অদুবু মরম চারদি কিবা লৈতনা থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** থবক পাংগনি, ওইজবা ফংগনি, অনম তানবনসু ওইজবা হেন্না ফংগনি অমদি লৈঙাক্কী লম্দা কনানসু লাকচবা ঙমলোই। মীয়াম্না থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** অয়েৎপা চেল্লোই, লেংদবা লন অমদি লৌশিং য়াম্না ফংগনি। মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি লাই-গুরুনা ঙসিসু চানগনি। পাউদি ইনুং নুংঙাইরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**মিন :** অনম তানবা অমদি ঙক কনবনা নুংঙাইফম খঙলোই-নোল্লুক্লা চৎপনা খ্বাইদগী হেন্না য়াইফবা ওইগনি। হন্থবা মীগী ৱা লৌগনু, নচাক নরল চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।